ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, দিসেম্বর ১০, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৫১শুবা মশীং

## এন জি টিগী দিরেক্সন
## মণিপুর লৈঙাক্না তৌদ্রে, তৌ হায়রকপনি

ন্যু দেল্লীগী নেসনল গ্রীন ত্রাইব্যুনেল (এন জি টি) না দিসেম্বর ১, ২০২২দা মণিপুর লৈঙাক্তা লুপা ক্রোর ২০০গী শেনফম পল্লদুনা পীরকখ্রিবা দিরেক্সনদু য়াল্লবা শেনফমসি মণিপুর লৈঙাক্না এন জি টিদা ফাইন নৎত্রগা কম্পেন্সেসন ওইনা পীয়ু/পীগদবনি হায়রকখিবা নত্তে। মণিপুর লৈঙাক্না ষ্টেটসিদা সোলিদ, লিক্কীদ ৱেষ্টশিং য়াওনা সিৱেজগী মেনেজমেন্টগী থবকশিং মওং-মরীল তানা তৌদে হায়রকপনি। মরম অসিনা তৌদবা অসিগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লুপা ক্রোর ২০০গী শেনফম কম্পেন্সেসন ওইনা পুথোরক্নবা অকক্ন বা মতম অমা পীরকপনি। হায়রিবা মতমসিগী মনুংদা শেলশিং অসি পুথোরক্তুনা 'রিং ফেন্স একাউন্ট' তা থম্মু। অদুগা ষ্টেটকী চীফ সেক্রেটরিগী অয়াবা য়াওরগা একাউন্টসিদগী লৌথোক্লগা সোলিদ/লিক্কীদ/সিৱেজ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎলু অমসুং পাঙথোকউ হায়বনি। হায়বদি ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরগী ওইনা মেনেজমেন্ট তৌগদবা/তৌফম থোকপা থবকশিংসি তৌদ্রে হায়বনি। দিরেক্সন অসি নেসনল গ্রীন ত্রাইব্যুনেল অসিগী চ্যেরপর্সন জষ্টিস অদর্শ কুমার গোয়লনা লুচিংবা এক্সপর্ট মেম্বর প্রোফেসর অমসু য়াওবা প্রিন্সিপাল বেঞ্চ অমনা পীরকখিবনি। সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা রিট পিটিসন নম্বর ৮৮৮ ওফ ১৯৯৬ অমদি ৩৭৫ ওফ ২০১২গা মরী লৈননা এন জি টিনা লৌখৎপা কমপ্লাইয়েন্স ওফ ম্যুনিসিপাল সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজ মেন্ট রুলস, ২০১৬ এন্দ অদর এনভাইরনমেন্টেল ইস্যুজ'গী মেট্টরসিগা মরী লৈনবা ৱায়েলদগী পীরকখিবা দিরেক্সননি। এন জি টিনা ওর্দর/দিরেক্সনসি পীবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট, এনভাইরনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ), এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (প্লান্নিং/হেল্থ এন্দ ফেমিল ৱেলফেয়র/ত্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিল দিভেলপমেন্ট), মাহুদকী কম্মিস্নর অমসুং দিরেক্টর, কম্মিস্নর (ত্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ), পি ঐচ ঈ দিগী সেক্রেটরি অমসুং চীফ ইঞ্জিনিয়র, স্মার্ট সিটিগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসরসু ওইরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী কম্মিস্নর, দিরেক্টোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী দিরেক্টর, জোইন্ট দিরেক্টর, মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি অমসুং এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র অমসু শরুক য়াখিবনি।

লাক্লিবা ৱাফমদি মণিপুরগী মী খ্বাইদগী য়াম্না তিল্লিবা ইম্ফাল সিটিবু স্মার্ট সিটি ওইহন্নবগী থবকশিং পায়খৎলে অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না 'স্বাছ ভারত মিসন' হৌদোক্তুনা মপূং ফানা চৎনহল্লে হায়রিবা মণিপুর লৈঙাক্তা নেসনল গ্রীন ত্রাইব্যুনেলনা ম্যুনিসিপাল ৱেষ্টকী লুপা ক্রোর ২০০ পুথোরক্তুনা খাক্তুনা থল্লগা থবক পায়খৎকদবনি। পায়খৎলিবা থবকশিংগী রিপোর্টসু থা ৬/৬ খুদিংগী পীখৎলক্কদবনি হায়রক্লিবা করিগীনো হায়বনি। এন জি টিগী দিরেক্সনসিগা মান্নবা দিরেক্সনশিং অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু পীখি। ষ্টেটশিংদুগী মনুংদা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং কেরলানচিংবা য়াওনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী ফাওবা য়াওই। অদুবু অতোপ্পা অচৌবা অমসুং অপীকপা ষ্টেটশিংসু য়াওই হায়দুনা মণিপুরনসু মখোয়গী মতৌ তম্বদি চুমগদ্রা? চাওখৎপা, কান্নবা অমসুং অফ-নুংঙাইগী থবক্তা তম্বসু নত্তনা। পূম্নমকসিগী মথক্তা ম্যুনিসিপাল ৱেষ্টশিং অসিদি মীয়ামগী অকোয়বগী ফিভমশিং অমসুং হেল্থকা হকথেংননা মরী লৈনবা পোৎলমশিংনি। মসিগী মতাংদা নীংথিজনা মথৌ তাবা থবকশিং মপূং ফানা লৌখৎকদবনি। এন জি টিনা পীরকখ্রিবা দিরেক্সন অসিসু পীফম থোকই হায়দুনা হেক্তমক পীশিল্লকপা নত্তে। মণিপুর অপূনবা মীশিং, রুরেল অমসুং অর্বানগী ফীভম, মীওইশিং অসিদগী নোংমদা থোরকহনবা সোলিদ, লিক্কীদ অমসুং সিৱেজগী ৱেষ্টশিংগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগী ওফিসলশিংদগী রিপোর্টশিং কূপ্না য়েংলবা মতুংদা পীরকপনি। হৌজিক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিমত্তা তৌদ্রে হায়বা নত্তে, তৌরি। অদুবু লুপা ক্রোর ২০০ তোঙান্না খাক্তুনা থল্লগা তোঙান তোঙানবা ৱেষ্ট অমসুং সিৱেজশিং মেনেজমেন্ট তৌনবা থবকশিং পাঙথোকউ হায়রকপনি। তৌদি তৌরি অদুবু তৌরিবা থবকশিংসিনা মতিক চাদ্রি। মথৌ তাবা থবকশিং অসিগী চাং য়ৌদ্রি হায়বনি। মসিদি ইকায়বা/ইকায়দবগী ৱাফম তরাইথোকখ্রদনা অসুক কুইনা অমোৎ অকায়, ফত্ত-হৌদিশিং নীংথিজনা লোইশিন-খমজিনবা তৌখিদবা মতমশিংদুনা মীয়ামদা করি করম্বা ফত্তবশিং মায়োক্নহল্লমগদগে?

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৫

১) "**অঙাঙবা লৈগী অঙৌবা মচু**" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) "**বাস্করবিলে সাগৈগী শাদানহুই**" (২০০১) হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) "**চেক্লা মাদি খঙলম্মী**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) "**ওঁ বাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)**" হায়বসি কনানা ইবনো?

৫) "**নিংঙাইদনা য়াতারিবশিং/মোংফমথকসিদা--,/হৌগৎলো নুংশিরবা মরুপশা!/ঐখোয়সু মপূং ফারে,/অহিংবশিংদা লান হৌরসে।**" শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# খুদোল

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



ঐগী কোক্তা হৌরিবা অমুবা শমশিংগী মরক্তা অঙৌবা পোকশিং য়ানশিল্লকপদা ঐ থোইনা হেন্না নুংঙাইতবা লৈখিদে। মদুবু ঐনা অমুবা মচু শঙলগে হায়নসু খল্লুবা লৈতে। শঙজিল্লুবগীসু নাতৈ চাদবা লৈ। শঙগদৌরিবা কেমিকেল অদু ঐগী উনশাগা পক্নরমদ্রবদি এলর্জি থোকপা নৎত্রগা মীৎতা চঙখ্রগনা ঐগী মীৎ ফাওবা তাংবা য়াই। করিগুম্বদা মী শি হায়বগী পাউ ফাওবা তাখিবা লৈ। ময়ামসিগী মথক্তা শঙলিবা মচুদু কোকথরকপা মতমদা শমগী মচুনা তোঙান্না পেক্রুকলৈ মচু চঙলকপমসু লৈ। করি থোক্লগদগে হায়বদু ঐনা খঙবা ঙম্লোই। পূম্নমকসিনা ঐ পোক হীদাক্কীদমক থোইনা খল্লুবা লৈতে।

পোক খরা হৌই হায়দুনা কনা অমত্তনা ঐবু অহলনি হায়বা য়াবা পোৎ নত্তে। মায় খুইদ্রি, পূক থোন্দ্রি, চিরাই তাংদ্রি, ইশা শোন্দ্রি, শকফম কায়দ্রি, শম্না নহা ওইরি নুং পান অনীমক্তা, অহল হায়বদুগী মথক্তা হনুবা হায়বা অমসু লৈখ্রি, হনুবগী মথক্তা হৌগৎ কাংখৎ ঙমদবা পেং চোইবা মফি মরোলফাও মফম মরাংফাও খঙলক্কবা হায়বা অমসু লৈরি। পোক্কীদমক ঐ চিন্তাসু তৌদে। পোক ফোয়রগা নুংঙাইরি ঐ। ফোয়দোক্লগা পোক হৌদবা নত্তে নহা অমা ওইবদু ঐ অদুম য়ারি। ঐগী ৱাখলনা ঐবু পোক্কীদমক ৱাহনবা ঙমহনলমদ্রি। পোক হায়বসিদি নহা অহল খাক্তনা হৌবা ইয়াদা য়াবা পোৎনি হায়নসু খন্দোকপা ঙল্লি ঐ।

চহী খরগী মতুংসিদা হৌজিক অমুক ঐগী ইফমদা অনৌবা অতিথি অমা থুংলরি। মখোয় কনা নত্তে ঐগী কা হেন্না শাংগৎলবা পীশুমশিং অসিনি। অমমমতা ওইনা মচা তানা খনগৎতুনা চিংখৎলগা য়েংবদা ইঞ্চি অমা ফাওবা হেন্না শাংবা য়াওরম্মী। মপোপ য়াম্না চাউরম্মী। কূপ্লম্বা পীশুমগী শম্না মচাশিং অদুনা করিগী অসুক য়াম্না পৌখৎলক্লিবনো? ঐ হংদবা ঙমখিদে। ঐ ইশাদা অহোংবা হায়বদু অসুম অসুম খুমাঙ চাওশিল্লক্লব্রা? অদুম করিগুম্বা খরদি ইশানা খুমজে, পাউখুম অসি চুম্বা য়াই লানবা য়াই। মতম অমদা অসুক তেল্লমখ্রবা কূপ্লমখ্রবা ঐগী পীশুম অসিনা হন্দক অসিদা অসুক খংপৌ পৌখৎলক্লিবা, খংশাং শাঙ্গৎলক্লিবা অসিগী মরম করিগীনো? হঞ্জিন হঞ্জিন হংজে। মী অতৈনদি খঙবীবা ঐনা খঙলবা অমদি খঙদ্রিবা মরম কয়াসু কেকু লোৎতুনা লৈরমখিগনি। (হীরমসিগী মতাংদা পীশুম মশানসু করিনো খরদি হায়নীংবা লৈরমগনি ঐঙোন্দা)।

অমুকসু উরকই, ঐগী নাতোন মখুন্দগী হৌদোরকপা তুহাওশিং অদুসু শাংদ্রোং শাংদ্রোং শাংবদা নত্তনা অসুক্কী মতিক চবৌ চবৌ লাউরম্মী। মখোয়নসু মহৌশাগী ঐগী নাতোন মখুলদা হৌরম্বা চগুপ চগুপ্পা অতেনবা তুহাউশিং অদুগী মহুৎ লোইনা শিনখ্রবনি অদুসু মতম চূপ্পগী ওইননি হায়বা তাই। ঐগী ইফমদা থোক্লরিবা খুদিংমক মহৌশাগুম্না অমুক হন্না মনীং মমাঙ নৎত্রগা মথক মখা ওন্থোক্লবা য়াবা ফীভম অমত্তা লৈত্রে। মসি ঐ মহৌশা নৎত্রে হায়বগী লাইওংনি।

পীশুমশিং অসি খূৎশাশিংনা নাল্ল-নাল্লদুনা শান্নরুবদা নৎত্রগা থৌওইনা নৎত্রগা ইখঙ খঙহৌদনা হেক শোক্লুবদা নৎত্রগসুমুক মিংশেলদা ঐগী মায়সিবু হেক উরুবদা ঐনা পুন্সিগী লম্বী কয়া শাংনা চৎলক্লবনো হায়বদু উবা ঙম্মী। ঐগী মায়সিবু উজরগা নীংশিংবগী চেনা কয়া মথং মথং ফাক্কৎলগা পাদুনা শান্নবগুম্না থোকই। পুন্সিগী অৱা নুংঙাই কয়া ইখ্রবা লাইরিক অমগী চেনাশিং নীংশিংবগী নুংশিৎনা ফাক ফাক্তুনা মথং মথং পাহনবগুম্না থোকই। অঙাং ওইরিঙৈদগীনা ঙসি ফাওবগী য়ামখ্রবা ৱারী কয়া মথং মথং লীরক্লি ঐগী মায়থোঙগী ময়িশিংনা।

ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ নোংমা উখি বাবাগী পীশুম মরক্তা চবৌ চবৌবা অঙৌবা পোক অমা। মাগী য়েৎথংবা পীশুমদনি। মদু উবদা বাবানা শোন্থাংননা করিগুম্বা খরা হায়খি। মদু নীংবা কায়বগী ৱাহৈ ওইরমগনি। ৱাহৈশিং অদু ঐনা ময়েক শেংনা তাখিদে। পীশুমগী পোক অদুমত্তং মানা ফোয়দোকখ্রবদি মহাক তশেংনমক মহৌশাগুম্না নহা ওইনা উগনি হায়না বাবানা মতমদুদা খল্লম্বা য়াই। অহোংবা করি অমত্তা লৈত্রি, তুংগী পুন্সি য়াম্না শাংনা লৈরিনা হায়না মানা মসিমসু খল্লম্বা য়াই। মতম খরগী মতুংদা বাবাগী মশম, মকোই পোক্লা পুমঙৌ ঙৌখ্রে। ঐনা চিন খুমদুনা নোকখি বাবাগী পীশুমগী পোক্তু উরুরগা। মদু বাবাদতা থোক্কদবা থৌদৌ অমগুম্না। পীশুমদা পোক হৌবা - পাক উখিদ্রি মতমদুদা ঐনা। শক্লম (ফোটো) ওইনা রাজেন্দ্র প্রসাদ, রবিন্দ্রনাঠ থাকুর অমদি ফিল্মগী মীওই খরা নত্তনা অদুবু ঐগী বাবাগী পীশুমদা পোক অমা অনীনা হৌবা অদু ঐনা য়াম্না নোক্লিংখি, য়াম্না মরিং মরাংনসু উখি। বাবানা মদু পাফোয়না য়াম্না হৈ শিংনা ফোয়দৎলগা মমায় মমিৎ ফজনা তাথোক্লদুনা মায়দু ফদি অমনা কংনা তৈথোকই। বাবা মফি মরোল নান্না হোংলগা মানা চৎফম থোকপা থবক অদুম চৎখি।

বাবানা থবক চৎখ্রগা ঐসু ঐগী পীশুম অদু মিংশেলদা য়েংলদুনা শান্নরম্মী। ঐগী পীশুমগী তুংগী পুন্সিগী মরমদসু হায়ফেৎ খনখিব্রা ঐবু? ঐগী নহা ওইরিবা মঙাল নাইরবা ঈ থাংলবা শকফম অমা মতমদুদা উজবদা ঐ হরাউজরম্মী। মতমদুগী ঐগী মায়থোঙ অদু শাৎকায়বদা ঙায়রিবা থম্বাল অমা মাল্লম্মী।

ঙসিদি অমুক, ঐগী শাংলবা অপৌবা পোক হৌরবা পীশুমশিংসিগা ঐগা মুক্নরুরগা কৈদৌনরুগদগে? করিগুম্বদা ঐগী অশাংবা পীশুমগী মচাশিং অসি অমমমতা ওইনা মথং মথং লৌথোকখিবদা ঐগী চহীসু মশীং হন্থখিগদ্রনে? হন্থরোই, হন্থরোই মসিদি ঐগী চহী মতাংসিগা চাননা মহৌশা মানা খুদোনবীরক্লবা মমল কারবা লৈতেংনি। ঐনা মসি লৌদবা শুকয়া য়াররোই, মসি অথীবা নত্তে ফজবনি। ঙসিদি ঐগী কোইসু অমুবা অমত্তা য়াওদ্রে শমদা নত্তনা। পীশুম অসিসু অমুবা অমত্তা য়াওরক্তবা মতম অমুক লাকপা য়ারিকো? ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ ৱাখা-য়েন্দেম # ৩৭১

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা উখা-ৱাখা অমসুং খোংবান-লুকপান্দা পাক-শন্না হৌদুনা অহাওবা এঞ্জাং অমা ওইনা চানরিবা ৱাখা-য়েন্দেম হায়রিবা পাম্বী অসিদা চিঞ্জাক্কী ওইবা থোইদোকপা মগুণশিং য়াওবগী মথক্তা হীদাক্কী ওইবা মগুণশিংসু শীংথানীংঙাই ওইনা য়াওদুনা অনা-লায়েং কয়াদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরিবা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মনা অদু হেক য়েংবদা য়াম্না পীকপা য়েন্দেম পাম্বীগী মনা মানবা অদুগা উখা-ৱাখাদা য়াম্না তোয়না হৌগনবদগী পাম্বী অসিবু ৱাখা-য়েন্দেম হায়না কৌনবনি। ৱাখা-য়েন্দেম পাম্বী অসি ইংলিসতা বক্-হুইট (Buck-wheat) নৎত্রগা কমন-হুইট (Common wheat) নৎত্রগা কমন-বক্-হুইট (Common buck wheat), হিন্দিদা কোতু (Kotu), মরাথিদা কসপত (Kaspat), অসামিজদা দোরোন (Doron), নেপালিদা মিথে-ফাপেরী (Mithe-phaperi), রুসতা গ্রেচিবনাই (Grechevnaya), বোটানিকেল নৎত্রগা সাইন্টিফিককী ওইবা মমিংনা ফেগোপাইরম স্কুলেন্তম (Fagopyrum esculentum Moench) নৎত্রগা পোলিগোনম ফেগোপাইরম Polygonum Fogopyrum L.) নৎত্রগা ফেগোপাইরম ভলগেরি (Fagopyrum vulgare Hill) হায়না কৌই অমসুং পোলিগোনেসী (Polygonaceae) নৎত্রগা দোক (Dock) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি : অঙোম - য়েন্সিল - স্মার্ট ৱীদ (পোলিগোন্‌ম চাইনেন্সী), ফক্‌পায় পাম্বী (পোলিগোন্‌ম পোশুম্বু), চাওখোং পাম্বী - ৱাটর পিপ্পর (পোলিগোন্‌ম হাইদ্রোপাইপর) অসিনচিংবনি।

পাউদমগী মতুংইন্না ৱাখা-য়েন্দেম পাম্বী অসি ময়ায় থংবা এসিয়া অমসুং য়ুনাইযেদ কিংদমদগী হৌরকখিদুনা ঙসিদি মালেমগী মফম কয়ামরুমদা য়াম্না পাক-শন্দোক্তুনা হাজোংবা পাম্বী অমা লইনা হৌখরে। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি ৱাখা-য়েন্দেম অসি ঈশিং ঈনিলগী চাং ৱাংবা উখা-ৱাখাগী মরুমশিংদা মপূং ফানা অমদি মরাং কায়না হৌবা থেংনৈ। পাম্বী অসি চোৎ-চোৎ লাউবা অমদি পাৎথী-কোমথীশিংগী অকোয়বদা মপূং ফানা হৌগল্লি। মহৌশাগী ওইনা পাম্বী অসি ফুট অহুমলোমতমক ৱাংজরবসু শিন্তক তৌবা লৈবাক লৈহাও অমদি ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংবা উখা-ৱাখাশিংদা ফুট মঙা ফাওবা ৱাংবা থেংনৈ। জুলাই থাদগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা ঙৌরুনবা মচুগী অপীকপা লৈ কয়ামরুম অশাংবা লৈথোকশিংদা নপ্তুনা শাৎলি অমসুং মতুং তারকপা থা অমা অনীগী মনুংদা অকুপ্পা অমুবা মচুগী মরূশিং পাল্লি।

ঐখোয়গী লেবোরেটেরিদা থিজিনবদগী ফংলকপা ফলগী মতুংইন্না ৱাখা-য়েন্দেম পাম্বীগী মনাদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিংদি - লিগনিন চাদা ৯, ফেট চাদা ১, কার্বোহাইড্রেট চাদা ৪, প্রোতিন চাদা ১.৩৩, পোটাসিয়ম চাদা ০.১৬, সোদিয়ম চাদা ০.২৪ অসিনচিংবনি।

মীওইবগী হকচাংদা মচি ওইবা অমদি থোইদোক-হেন্দোক্লা কান্নহনবা ঙম্বা ৱাখা-য়েন্দেমদা য়াওবা মরু ওইবা মচল খরদি টোটেল ফিনোলিক কম্পাউন্দ (131.3 mg GAE/g dry weight), টোটেল ফ্লেবোনোইদস (12.8 mg QE/g dry weight) অসিনচিংবনি।

ৱাখা-য়েন্দেম পাম্বীগী মনা অমসুং মতোন অদু য়াম্না হাওবা এঞ্জাং অমা ওইনা মালেমগী মফম কয়ামরুমদা চানবগী পাউদমশিং লৈ। এসিয়াগী লৈবাক খরা মরু ওইনা খা থংবা লৈবাকশিংদা ৱাখা-য়েন্দেম মনা অমসুং মতোন অদু আলু পানা শোইরগা থোংদুনা অহাওবা এঞ্জাং অমা ওইনা থোংদুনা চানৈ। ঙা অয়াইবা খরা থাক্লবদি মসিগী মহাউ অদু হেঙ্গৎহনবা ঙম্মী। ৱাখা-য়েন্দেমগী অপীকপা মরূশিং অদু অহিং ২/৩ গুম্বা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংদা তীংদুনা অনৌবা ময়োন অদু থোকহল্লগা সলাদকী মচল অমা ওইনা এসিয়াগী লৈবাক কয়াদা চানৈ। পাম্বী অসিগী অকংবা মরূ অদু কৈথেলদা য়োনবা থেংনৈ। অকংবা মরূ অদু কূপ্না য়ামগুম্না তকখায়রগা কেক, নুদল অমসুং দবলরুটি শাবদা পাম্না শীজিন্নৈ। হায়রিবা পাউদর অদু এঞ্জাংগী নং-নং লাউবা মহী হায়বদি শুপ শেম্বদা অমেরিকাগী মীওইশিংনা পাম্না অমদি পাক শন্না শীজিন্নবগী পাউদম লৈ। ৱাখা-য়েন্দেম মরূ অসিদগী শুংবা য়ু অসি মালেমদা ফংবা অহাওবা য়ুশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা ৱাখা-য়েন্দেম পাম্বীগী মতোন অদু মপুন পুল্লগা কৈথেলশিংদা য়োনবা থেংনৈ।

ৱাখা-য়েন্দেম পাম্বী অসি হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং য়াম্না শীংথানীংঙাই ওইনা য়াওজে। পাউদমগী মতুংইন্না ৱাখা-য়েন্দেম মনা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা চাং নাইনা চাবদা মীওইবগী ঈগী খোঙজেল ৱাংবা হায়বদি হায় ব্লদ প্রেসর অদু মপূং ফানা হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং শীংলি-নাওরিশিং মপাঙ্গল কন্না থম্বদা মতেং পাংবা ঙম্মী। ৱাখা-য়েন্দেম পাম্বী ফুত্তুনা চাং নাইনা চারবদি কুচু কুমেন পানথোকহনবা ঙম্মী। বিজ্ঞাননা থিজিনবদগী খঙবা ঙমখরে মদুদি ৱাখা-য়েন্দেম পাম্বী অসি মীওইবগী উনশা থোৎতোকহনবা ঙম্বগী মথক্তা বেক্টেরিয়া মখল খরসু ঙাকথোকপা ঙম্মী। ৱাখা-য়েন্দেমগী মরূ অদু কূপ্না তকখায়রগা ঈশিং অশাবদা নৈখাইদুনা শেম্বা নং-নং লাউবা মহী অদু চাজেনবী মমাগী খোমদা তৈবীবা মতমদা মমা অদুগী খোল্লাং অদু মপূং ফানা থোকহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। স্ত্রেপটোকোকস পাইরোজেন্স (Streptococcus pyrogens) হায়রিবা মহী অসিনা থোকহনবা লায়না ইরাইসি পালাস (Erysipalas) মীওইবগী উনশাদা লৈবা অঙাংবা মচেৎশিং অদু মপূং ফানা লায়েংবগী পাউদম লৈ। হোমিওপেথিগী লায়েংদা ৱাখা-য়েন্দেম পাম্বী অসি ইকজেমা (Eczema) হায়রিবা উনশাগী লায়না অসি লায়েংবগী মথক্তা লিভরগী লায়েংদা হীদাক ওইনসু শীজিন্নৈ। ৱাখা-য়েন্দেম পাম্বী অসিদগী হীগোক মচুগী রং শানৈ অদুগা লৈ অদুদগীনা ঙাংতক তৌবা মচু অমা শেম্নৈ। ৱাখা-য়েন্দেম পাম্বী পূমথহল্লগা শেম্বা হার অদু থোইদোক হেন্দোক্লা মগুণ লৈ। ●